# নহারোলশিংং পোলিটিক্সতা খোঙদাবীরো

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঐখোয়গী ঙসি ওইরিবা পোলিটিক্সকী ফীভম অসিদগী খুন্নাই অসিবু কলহৌসি হায়রবদি নহারোলশিংনা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিনবা মথৌ য়াম্না তারে। অদুবু ঙসিগী লুচিংবশিংনা নহারোল নখোয়দি মহৈ-মশীন তম্বদা পূক্নিং চঙনা লৈয়ু, পোলিটিক্সতা খূৎ থিংজিল্লক্কনু হায়না তত্তনা হায়রি। অদুগা নাকল অমরোমদনা পোলিটিক্সতা লৈরিবা লুচিংবা শাবশিং অসিনা মশাগী মথৌ তৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা, অনীংবশিং তৌদুনা লৈরে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি কাং-খোং চাইহল্লে লোয়ননা খুন্নাই অসি মুৎখিগদৌরে। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা হান্নগী চৎন য়াদ্রবা ৱাখল্লোন - পোলিটিক্সতা চঙলুনু হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি লংথোকখিবা মথৌ য়াম্না তারবনি। মরমদি, মহৈ-মশিন হৈবা, মথৌ নিংথিনা তৌজনীংবা মীওই কয়ানা পোলিটিক্সসি মোৎলি হায়দুনা গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা ফমশিং পায়দুনা থবক তৌরি। মসি করিসু কায়দে। অদুবু লাইবক থীবদি লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমহৌদবা, মীতোপকা নিংথিনা ৱা ঙাঙনদুনা পাউ ফাওনবা ঙমদবা, মশাগী লমচৎ চুম্না চত্তবা কয়া, শেল পায়বা মীওই কয়া অমনা পোলিটিক্সতা চঙদুনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইদুনা লাইরিক-লাইশু হৈরবা অচৌ-অচৌবা গভর্ণমেন্টকী ওফিস কয়াবু ইরায় লায়না করিসু লৈতনা শীজিন্নরি। শীজিন্নবা য়াই মখোয়গী মখাদা লৈবনা। অদুবু চুম্না শীজিন্নবগী মহুত্তা মখোয়বুসু পোলিটিকেল লিদরশিং অসিগী অমোৎপা, অরানবা লম্বীশিংদা শীজিন্নরি। অসুম্না মথৌ চুম্না থবক তৌজনীংবা ওফিসর চুম্না মথৌ তৌবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা লুচিংবশিং অসিগী মায়োক্তা অচুম্বা তৌজগে হোৎনজরুবদি অরাপ্পা মফমদা ত্রান্সফর থাবা নৎত্রগা প্রমোসন পীবিদবা অসিনচিংবা তৌদুনা লাক্নরি, নৈহৎপীরি। মসি থোকহন্নীংদবা নৎত্রগা কিজনা চৎপা ওফিসর কয়ানা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মতুং ইন্দুনা মখোয়সু অরানবা তৌমিন্নরি।

অসুম্না সুম লাকপনা ঙসিদি ঐখোয়গী খুন্নাইসি পূমচাই চাইরে অমদি মুৎখিবা ঙাইদুনা লৈরি। সেন্টরনা পীরক্তবদা ঐখোয় থা অমা ফাওবা হিংবা ঙল্লোই।

য়েংবীয়ু, হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা লুরবা কোভিদ-১৯গী চৈরকসিদা ঐখোয়গী এম এল এশিং চোঙথোক চোঙশিন তৌরি, ফম তান্নরি, ঙাইহাক লৈতনা দিল্লিদা চৎলি মরমদমদা মরৈচাশিংবু লাইচৎ অসিদগী কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা। হংলুরগা মীয়ামগী ফনবা তৌবনি হায়রি মীদিয়াগী থোঙদা। অসিগুম্বা ফীভম অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈবা, মপান্দা থোক্লগা মশাগী ৱাখল্লোন নিংখা তম্না ফোঙদোকপা ঙম্বা, লমচৎ চুম্বা ঙসিগী নহারোলশিংনা পোলিটিক্সকী লমদা পূক্নিং থিংজিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা লমসিদা খোঙ থাংজিন্দুনা লুচিংবা ওইনবা নৎত্রগা লুচিংবা শেম্নবা হোৎনগদবনি। ঙসিগী লৈরিবা কিনীংঙাই ওইরবা ফীভম অসিদা অসুম লৈরবদি ঐখোয় শোইদ্রে চহী খরগী মনুংদা ইরমদমসিদা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীয়ানচাশিংগী মখাদা হিংবা। মসি ওইথোক্লোই হায়না খনবীগনু। ইনক নকপা ত্রিপুরাদা য়েংবীয়ু। ত্রিপুরাদা মফম অসিদগী হৌজরকপা ত্রিপুরিশিং ঙসি মাইনোরিটি ওইদুনা বেঙ্গালিশিংগী মখাদা কয়াদা তোন্না হিংলিবা। ঙাইহাক লৈতনা ফূবিবগী, হাৎতোকপীবগী পাউ তারি সোসল মিদিয়ানচিংবদা। মসিমক ঐখোয়দসু থোক্কদৌরিবনি ঐখোয়না ঙসি ঐখোয়গী খোঙথাং চেকশিন্না থাংহৌদ্রবদি।

হৌজিক ওইরিবা ঐখোয়গী ফীভম অসিদা অফবা, অচুম্বা, অনৌবা খোঙথাং অমত্তা পুরকপা ঙমলোই পোলিটিকেল পৱার য়াওদনা। মরম অসিনা ঙমখৈগীনি খঙদে, মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবনি খঙদে হীরম খুদিংমক্তা মশা খিংবা, অচুম্বা তৌজনীংবা, মরমদম কংলৈপাকপু তশেংনা নুংশিজবা লাইরিক লাইশু হৈবা নহা ওইরিবা লুচিংবশিং য়াম্না মথৌ তাই। লুরিবদি, মতৌ করম্না অফবা, নহা ওইরিবা লুচিংবশিং খনগদগে হায়বসিনি। মসিসু য়াম্না লুবা থবক্তি নত্তে। চুম্নগী থম্মোয় শেংনা ভোট থাদবা মথৌ তাই, হায়বদি শেল লৌদবীদা ঐখোয়না ফগনি খঞ্জবা লুচিংবশিং অদুবু ভোট পীবিদুনা মীখলদা মায় পাকহনবা অসিনি। অদুবু অসুক শাংলবা চহী কয়াসি ঐখোয়না খঞ্জনীংবা লুচিংবশিং খনবা ঙমদনা লাক্লি করিগী, শেল পায়বা মীরেপশিং অদুগী লুপা ২০০/৩০০ মীতারুবদগী। মখোয়গী লুপা ২০০/৩০০ লৌরুবনা মখোয়না ভোট কাদুনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতমদদি মখোয়দা ভোট থাদখিবা মীয়াম অদুগী খন্দুনা থবক তৌবগী ৱাফম অদুম কাউখ্রে।

শেল লৌদুনা ভোট থাদরুবনা মখোয় মখোয়গী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং অদুদা করিসু হায়বা ঙমদ্রে। শেল লৌদুনা ভোট থাদরুবনা ভোট কাখ্রবা এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরশিং অদুনা মীয়াম্বু থৌশাদবা অসিগী মথক্তা ঐখোয়না লমদম অসিগীদমক থবক চুম্না তৌরক্কদবা মীরেপ অদুবুদি কাহন্দ্রে, করিগী মহাক্কীদি শেল পীনীংঙাই লৈতবনা। শেল লৌদবা ওইরদি ঐখোয়না কাহন্নীংবা মীরেপ্পু খনবা ঙমগনি। ভোট থাদবদা শেলবু মীহৌদ্রবা, লৌদ্রবা অফবা লুচিংবা অদুম কারনি। অফবা মীওইবু পামদবা কনা লৈবগে। মরম অসিনা ইরমদম অসি কলহৌসি হায়রবদি অহানবদা ঐখোয়না তৌগদবসি শেল লৌদনা ভোট থাদবা অদুনি।

অনীশুবদা, ইরমদমগী অমদি ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসি য়াম্না মোৎলি খন্দুনা লাইরিক লাইশু হৈবা, পুকচেল শেংবা, মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা মীওই কয়া অমনা ঐখোয় ইরমদমগী পোলিটিক্স অসি য়েংদুনা কম্মেন্ট পীদুনা লৈবগী মহুত্তা ইশা ইশাসু চোংথোরক্তুনা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবীয়ু। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা সুম য়েংদুনা লৈথোকপনা মতিক চাদবা, লাইরিক লাইশুসু হৈতবা অদুগা শেলদি পায়বা কয়ানা মীচম মীয়ামবু শেলগী লাংদা থুহন্দুনা ভোট কাদুনা ঐখোয়গী লুচিংবশিং ওইরি। অসিগুম্বা মখলগী লুচিংবশিং অসিনা লৈঙাক্লবদি ইরমদম করম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো, ঙল্লোই। ইরমদম অসিদা অমদি ইন্দিয়াদা মতিক চাবা লুচিংবা খূৎনা থেক্তুনা থিবদা য়াম্না লায়না থোক্কনি। মসিননি ইন্দিয়ানা, ইরমদম কংলৈপাক্লা মাঙদা চঙশিন্দুনা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা। পূম্নমক অসি থেংননবা শেল পীবা ঙমজদবা, মীদি ফবা, মথৌ তৌগদবা মীরেপশিং অদুদা ভোট পীদুনা মখোয়বু খুন্নাই অসিদা অহোংবা খরা পুরকপগী তাঞ্জাদো অমুক্তা পীসি।

লোইশিল্লকপদা, অমোৎপা পুখ্রি নৎত্রগা তুরেল অমবু মোৎলে হয়দুনা খোংবান্দা লেপ্তুনা ঙাঙবা, য়েংবনদি অমোৎপদু লৌথোকপা ঙল্লোই। অমোৎপা অদু লৌথোক্কে হায়রবদি অমোৎপা মরক্তুদা কুমথদুনা অমোৎপশিং অদু খোমগৎপা, শেংদোকপা মথৌ তাই। মতৌ অসুম্না ঙসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোলশিং, ক্লব, সী এস ওনচিংবা কয়ানা পোলিটিক্সতা খোঙদাবীদুনা ইরমদমগী মোৎলবা পোলিটিক্স অসি অমুক্তা শেংদোক্নবা হোৎনবীয়ু। ইরমদমদা লাইরিক লাইশু হৈবা, অফবা মীওই য়াম্না লৈ। মখোয় অদু মীরেপ ওইনা থাগৎপীয়ু মীয়াম্না। অফবা পাম্বে শীজিন্নদুনা শেল চাউনা চাউনা লায়না তান্দুনা শেল পায়রে হায়দুনা থোক্লকপা অফবা মীদি নত্তবা অদুগুম্বা মীওই অদুবুদি শোমগী মমল য়াম্লবা ভোট খক পীবিরুনু।

অফবা, মতিক চাবা লুচিংবা খনগৎপা অরাইবা ওইরোই অদুবু ওইথোক্লোই হায়না খনবদি লানগনি। ৱারবসু ৱানা তুংগী খন্দুনা থৌনা ফনা থেংনবা মথৌ তাগনি। অফবা খুন্নাই অমা শেমগে হায়রবদি অফবা লুচিংবশিং পুথোকপা মথৌ তাই, নৎত্রগা ইশা ইশানা অফবা লুচিংবা অমা ওইনবা হোৎনবা মথৌ তাই। ঙসিগী মীতোপ চঙশিল্লকপগী, ঙমখৈ মাঙশিল্লকপগী, থবক ফংলক্তবগী অমদি অতোপ্পা চয়েৎনবা ইস্যু কয়া লৈরিবসি শেমদোক্কে, হোংদোক্কে হায়রবদি লাইরিক লাইশু হৈবা, মপালগী মীগা পাউ ফাওনবা ঙম্বা, পুকচেল শেংনা মথৌ তৌজনীংবা, ইরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা, থৌনা ফবা লুচিংবশিং মথৌ তাই। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অয়াম্বা লুচিংবশিং অসি শিন্দোকপা মথৌ তারে। হৌজিক ওইরিবা পোলিটিক্সকী ফীভম অসিদা সী এম শিল্লগা, মিনিষ্টর অমা/অনী শিল্লগা পার্টি শিল্লগা য়াগদবা নত্তে। মথক্তা পঞ্জখিবা মতিক ময়াইশিং অসি চেনবা নহারোলশিং খনগৎপা মথৌ তাগনি। মশীং য়াম্বা নৎত্রগদি অনৌবশিং অদুসু হান্নগী লুচিংবশিং অদুগী মতুং ইনখিদুনা মখোয়সু ফত্তবা, অরানবা লম্বীদা অদুম চৎখিগনি, য়াইফমিন্নরসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### সী পি আই-এমনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): ওগষ্ট ২০ দগী হৌনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু সী পি আই -এমনা শীনদুনা প্রোটেষ্ট মীটিং পাঙথোকখ্রে।

পাউনা কৈথেলদা লৈবা পার্টি অসিগী ষ্টেট কম্মিটিগী ওফিস অমসুং মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট মীটিং পাঙথোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা সী পি আই-এম, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা প্রোটেষ্ট মীটিংদা সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত লোয়ননা পার্টিগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বরশিং সরত সলাম অমদি য়ুম্নাম রতন্না ৱা ঙাঙখি।

মীফম অদুনা লৌখিবা ৱরেপশিংগী মনুংদা ইনকম টেক্স থিদবা ইমুংশিংদা থা ৬ চুপ্পা থা খুদিংগী লুপা ৭,৫০০ পীবা, থা ৬ চুপ্পা য়ুমথোং খুদিংমক্তা থা খুদিংগী মী অমমমদা কেজি ১০ ফংহনবা, এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা থবক শুবগী মতম চহী অমদা নুমিৎ ২০০ ওইহনবগা লোয়ননা খুৎশুমল হেনগৎহনবা, জি দি পিগী চাদা ৩ পব্লিক হেল্থতা চাদিং তৌবা, এস সী/এস টি/ও বি সী অমদি দিসএবলগী রিজার্ভেসন পীবা, মমাংগী সেমিষ্টরদা য়ুম্ফম ওইরগা গ্রেজ্যুএট অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যুএটকী মহৈরোয়শিং দিগ্রী পীবা, য়ু এ পি এ, এন এস এ, সিদিসন এক্টনচিংবা তমথিরবা লোশিংগী মখাদা ফাজি ল্লিবা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং খুদক্তা থাদোকপা, ইনভাইরনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট ২০২০ ৱিঠদ্রো তৌবা অমসুং কাঙলূপ নাইবা মওংদা হাৎন-শুনবগী থৌওং চথবদা চেন্নবশিং চৈরাক ফংহনবা অসিনচিংবা য়াওরি।

### সী এস ওশিংনা ষ্টেট দ্রগ পোলিসিগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): ক্বাকৈথেলদা লৈবা হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ)গী কনফরেন্স হোলদা ড্রাফট ষ্টেট দ্রগ পোলিসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ঐচ আর এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বাব্লু লোইতোংবম অমদি য়ুজর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জোগেস মাইবম্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা কাদা, কোন, য়ুজর, এমসু, দেসাম, এইমস, অমকিল, এ দি ভি আই এস এ ভি, ইকল, দব্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভি, ইভফম, লৌশাল, লিপুন, ঐচ আর এ অমদি লিগেল এক্সপার্ট কয়ানা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা ড্রাফট ষ্টেট দ্রগ পোলিসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা কদায় ফাওবা পোলিসি অসি থবক্তা মায় পাক্লা ওন্থোকপা য়াগদগে হায়বা কুপ্পা য়েংশিনখি। ড্রাফট পোলিসিদা মরী লৈনবশিংগী ৱাফম য়াওহনবিনবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (সোসল ৱেলফেয়র) ভি ভুমলুনমাংদা অইবা চেরোল পীশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা দ্রগনা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিং কোকহন্নবগী থৌরাংদা সিভিল সোসাইটিগা খুৎশম্নরগা পুন্না থবক লৌখৎমিন্নবা হায়নসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ সপ্লাই তৌবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা মরাল লৈরবা দ্রগ লোর্দশিং মতীক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়াসু মীফম অদুনা কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

### তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস): লোকদাউননা মরম ওইরগা লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেংদোংয়াং খুঙ্গংগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম মখল তরেৎ তেংদোংয়াংগী মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে। মীয়ামগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক তেংবাঙ পীবিরকখিবা অসিগীদমক কনবা মৈতৈবু তেংদোংয়াং য়ুথ ক্লব (টি ৱাই সী) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না টি ৱাই সীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈনা লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্নরিবা থরোইজম মনিং লৈকায়গী মীয়ামদসু নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা তেংবাঙখ্রে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা সোসল ৱর্কর কনবা মৈতৈনা তেংবাংলকখিবা অসিগীদমক্তসু থরোইজম য়ুথ প্রোগ্রেসিব ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না থরোইজম য়ুঠ প্রোগ্রেসিভ ক্লবকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### লিৱা লৈকুন্দা য়ুম মৈ চাক্তুনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস): চান্দেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লিৱা লৈকুন্দা ঙসি উগী য়ুম অমা মৈ চাকখ্রে। অদুবু থৌদোক অদুদা মীশি-মীনাদি য়াওখিদে।

নুংথিল পুং ২.২০ তাবদা মৈ চাকখিবা য়ুম অদু অজোলা সিংলাই মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ঐচ সিংলাইগীনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা ফিরোল অমদি চান-থক্লবা পোৎলমনচিংবা ইমুংদা থম্বা পোৎ চৈ পুম্নমক তুম্না অমাঙ-অতা থোকখি হায়রি।

মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা চান্দেল পুলিসনা পাউ পীরবা মতুংদা ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিং থুংলকখিবগা লোয়ননা পুলিসকী টিম অমসুং মফম অদুগী মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা মৈ মুত্থনবা হোৎনখি।



থৌদোক অদুদা মীশি-মীনা অমত্তা য়াওখিদবা তারবসু ইমুংদা থম্বা পোৎ-চৈ কয়ামরুম মৈ চাকপদগী অমাঙ-অতা থোকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চাকথোং গ্যাস লিক ওইবদগী মৈ হৌরক্তুনা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

### আর এ টি কিট য়োনবা থিংলে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি)গী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টিং কিট য়োনবা থিংলে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী ষ্টেট দ্রগস কন্ট্রোলর কম লাইসেন্সিং ওথোরিটিনা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দো-রকপগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, রেজিষ্টর তৌরবা কেমিষ্ট অমদি দ্রগিষ্টশিংনা মগুন য়াওদবা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্ক য়োনবা য়ারোই। এস ও পি মতুং ইন্না টেষ্ট তৌগদবা মরম্না রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টিং কিট য়োনবসু অথিংবা থল্লে।

---

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 239/SDC/IW(H) of 2020 25.07.2020**

Kongkham (O) Shakhitombi Devi W/o Late Kongkham Rajen Singh of Langthabal Lep Makha Leikai.

-Vs-

Shree (Late) Kongkham Rajen Singh S/o (L) Chingdumba Singh of Langthabal Lep Makha Leikai.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 26th Aug., 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 76-Langthabal Lep পট্টা নং 92 (অরিবা) 100/578 (অনৌবা)গী হাল ডাগ নং ... (অরিবা) 1068/1440 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.18 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ৪/৯/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector.**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/7461/27

---

**ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা**



ঐ, শ্রী য়ুম্নাম বিলক্লিন্টন সিংহ, থৌবাল খেকমনদা লৈবনা ইরমদম অসিগী মীয়ামদা শেংদোকচরি। মদুদি- হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌরগা তাং ২০/০৮/২০২০ ইং, শগোলশেন নুমীৎ ফাওবগী মরক্তা Nongthombam Sonia হায়বা Facebook কী Fake account অমদা Sheileja Shamurou শাদুনা মীওই খরদা ফোটো থাগৎতুনা শান্নরুরে। মসি খূদিংমক Sheileja মশাদি করিমত্তা খঙবা নত্তে। ঐনা লংজরুবা ইরাল অদুগীদমক ঐ ইশানা লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়জরি। অসিগুম্বা থবক মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই।

*শেংদোকচরিবা :-* **Yumnam Bilkiltan Singh**
**Khekman, Thoubal District.**

HL-P/7455/26&27

---

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. no. :- Mut. Case No. 328/AS&SO/TBL Dt. 06/07/2020**

Haobijam Landhoni Devi W/o (L) Gouradash Singh of Thoubal Melaground - Applicant

-Vrs-

(Late) Haobijam Gouradash Singh S/o. (L) Jugeshwor Singh of Thoubal Melaground. *-OPP*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dt. 25/08/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নম্বর ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং. ৬৯/সং (অরিবা) পাট্টা নং. ১০৫৪/২০৯৩ (অনৌবা) দাগ নং. ৪৩৩৭ এরিয়া .১৫০২ হে:, দাগ নং. ৪৩৩৬/৫০৪৫ এরিয়া .১৪৫০ হে: অপূনবা এরিয়া .২৯৫২ হে: চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার ১শুবা হাওবিজম গৌরাদাস সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী লোইনবী হাওবিজম লনধোনি দেবীগী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer, TBL,
Govt. of Manipur

HL-P/7458/27

---

**Govt. of Manipur**
**O/o The Principal, G.P. Women's College**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / EXAM. NOTICE**

Dated, 26th August, 2020

No. 15/4/2020-GPWC : It is hereby notified to all concerned that the last date of submission of duly filled in exam. form for M.U. Exam. 2020 (May) is rescheduled as follows:

1. B.A./B.Sc. 6th Sem. 2020 - Last date of submission 31/08/2020
2. M.A./M.Sc. 4th Sem. Exam. 2020 (Back) - Last date of submission 31/08/2020.

Also Exam. form for B.A./B.Sc. 2nd (Back) & 4th Sem. (Back) 2020 may also be submitted w.e.f. 04/09/2020 onwards.

**Sd/- Dr. Rajkumari Tamphasana**
Principal, G.P. Women's College.

HL-P/7459/27

---

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 26th August, 2020

No. Prop/SR/IW/2019 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Khuman Apokpa Social Progressive Club"** on 26-08-2020 for registration under Section 4(1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Konchak Mamang Leikai".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society / Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose Society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules. 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7460/27

---

**IN THE COURT OF SDC OFFICER, MOIRANG**

**Ref :- Mutation Case No.183/SDC/MOIRANG Date: 26/08/2020**

Konsam Nilakumar Singh S/o (L) K. Nilababu Singh of Moirang Tronglaobi Awang Leikai. ...Applicant

-Vs-

Late Konsam Nilababu Singh S/o (L) K. Amujao Singh of Moirang Tronglaobi Awang Leiaki. ... Opposite party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Moirang, 26/8/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 51-ঙাংখলৱাই/মোইরাংদা লৈবা Patta No. ....... (Old) and 1778 (New) C.S. Dag No. 4163/4361 & 4179 area 1.87 + 0.42 = 2.29 একর চাওবা লম ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **SDC OFFICER, MOIRANG**

HL-P/7462/27

---

**IN THE COURT OF SDC OFFICER, MOIRANG**

**Ref :- Mutation Case No.182/SDC/MOIRANG Date: 26/08/2020**

Konsam Nilakumar Singh S/o (L) K. Nilababu Singh of Moirang Tronglaobi Awang Leikai. ...Applicant

-Vs-

Late Konsam Nilababu Singh S/o (L) K. Amujao Singh of Moirang Tronglaobi Awang Leiaki. ... Opposite party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Moirang, 26/8/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 51-ঙাংখলৱাই/মোইরাংদা লৈবা Patta No. ....... (Old) and 1517 (New) C.S. Dag No. 4180 & 4162 area 0.34 + 1.96 = 2.30 একর চাওবা লম ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **SDC OFFICER, MOIRANG**

HL-P/7462/27

---

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. no. :- Mut. Case No. 329/AS&SO/TBL Dt. 06/07/2020**

1. Ningombam Biken Singh S/o. (L) Maton Singh of Kshetri Leikai
2. -do- Nomita Devi D/o. (L) Maton Singh of -do-
3. -do- Rashi Devi D/o. (L) Maton Singh of -do- - Applicants

-Vrs-

(Late) Ningombam Maton Singh S/o. (L) Amumacha Singh of Kshetri Leikai. *-OPP*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dt. 25/08/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নম্বর ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং. ২২৮ (অরিবা) পাট্টা নং. ৩৮২ (অনৌবা) দাগ নং. ৬১৪১ এরিয়া .৫৪০০ হে: চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার নিঙোম্বম মতোন সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচাশিংগী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer, TBL,
Govt. of Manipur

HL-P/7458/27

---

**ꯑꯔꯥꯕ / অৰাবা ফোঙদোকপা**


মতম শাংনা Top Dusara Gram Panchayat কী Up-Pradhan অমদি Panchayat Niyai ওইবীরম্বা Yengkokpam Bira Meetei না পূন্সি খোঙজেল লোইদুনা মপূগী খূয়া তানখিবদা পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূ মাগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীজরি।

*Sd/-* **Pradhan**
Top Dusara GP, Imphal East

HL-P/7463/27

---

**ꯅꯨꯡꯁꯪ / নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি**



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6333/27/08-26/09

---

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / থাগৎচরি, থাগৎচরি ওজা**
**ABDUL HAK কবিরাজপু**

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা য়াম্না অৱাবা ওইদুনা লৈরকখি। অদুবু ঙসিদি ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী অমসুং অল্লাহগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখাইবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ তাবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা শৌজ চঙউ য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা পূম্নমক মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। পাইলসকী অনাবা লৈবশিং ঙসিমক ওজাগী কন্টেক্ট নম্বর- 8794429681, 8014623756 তা পাউ ফাওবীদুনা হকচাং নুংঙাইনা হিংবীয়ু।

**লায়েংফম :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* **H. Thambanton**
Pourabi Awang Leikai

HL-P/7388/27

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।